

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, AUGUST 22, 2018 **PAGE 7**


*চথরিবা এসিয়ান গেমস অসিগী টেন্নিস মশান্নগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনকিতা রাইনা*

*১৮শুবা এসিয়ান গেমস অসিগী নুপীগী কেজি ৬৮গী ফ্রিষ্টাইল রেষ্টলিংদা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী রেষ্টলর দিভ্য কাকরান*



## ইন্দিয়াগী নুপা সুট্টর সৌরব চৌধারি অমসুং অভিসেক ভর্মনা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোলদা গোল্ড অমসুং ব্রোঞ্জ ফংখ্রে, সঞ্জিভ রাজপুটনা নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি পোজিসনদা সিলভর মেডল লৌখ্রে

*পালেমবাং / জার্কটা, ওগষ্ট ২১ঃ*

ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসতা ইন্দিয়াগী নুপা সুট্টর সৌরব চৌধারি অমসুং অভিসেক ভর্মনা মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোলদা গোল্ড অমসুং ব্রোঞ্জ মেডল ফংখ্রে। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপা সুট্টর সঞ্জিভ রাজপুটনা মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি পোজিসনদা সিলভর মেডল লৌখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টর সৌরব চৌধারিনা পোইন্ট ২৪০.৭ ফংলগা ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিদা জপানগী সুট্টর টোমোয়ুকি মাটসুদা পোইন্ট ২৩৯.৭ ফংলগা সিলভর মেডল ফংখি। অদুগা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর অভিসেক ভর্মনা পোইন্ট ২৩৮.৪ দা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি।

এসিয়ান গেমস অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি পোজিসনদা মশাগী চহী ৩৭শুরবা ইন্দিয়াগী সুট্টর সঞ্জিব রাজপুটনা পোইন্ট ৪৫২.৭ ফংলগা সিলভর মেডল লৌবা ঙমখি।



*নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোলদা গোল্ড অমসুং ব্রোঞ্জ ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী সৌরব (য়েৎ) অমসুং অভিসেক*

ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল অদুনা চাইনাগী সুট্টর হুই জি চেংনা পোইন্ট ৪৫৩.৩ ফংলগা লৌবা ঙমখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা জপানগী সুট্টর টাকায়ুকিনা পোইন্ট ৪৪১.৪ ফংলগা লৌখি।

ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমস অসিগী সুট্টিং দিসিপ্লিনদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না মেডল লৌবা ঙমখিবদা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

কবাদ্দিঃ–

ইন্দিয়াগী নুপাগী কবাদ্দি টিম্না ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'এ'গী মরিশুবা অমসুং অরোইবা মেটচতা থাইলেন্দবু পোইন্ট ৪৯–৩০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী কবাদ্দি টিমসু ঙসি শান্নখিবা গ্রুপকী অরোইবা মেটচতা থাইলেন্দবু পোইন্ট ৩৩–২৩ দা থোইরম্লগা গ্রুপকী মকোক ওইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী কবাদ্দি টিম অসিনা সেমি ফাইনেলদা গ্রুপ 'বি' গী অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা টিমগা থা অসিগী ২৩ দা লম্বা তৌনগনি।

রেষ্টলিংঃ–

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী কেজি ৬৮গী ব্রোঞ্জ মেডল প্লে ওফতা ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর দিভ্য কাকরননা বাওট অদুদা মোঙ্গোলিয়াগী রেষ্টলর টুমেনষ্টেটসেগপু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ১০–০ দা মায়থিবা পীদুনা ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি ইনিদয়াগী রেষ্টলর দিভ্য কাকরন মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্ঠ চেম্পিয়ন্সিপ্তা কেটেগোরি অসিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

সেপাক তাক্রোঃ–

চথরিবা এসিয়ান গেমস অসিগী দিসিপ্লিন অমা ওইরিবা সেপাক তাক্রোদা ইন্দিয়াগী নুপাগী টিম ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা মমাঙগী চেম্পিয়ন থাইলেন্দগী মখূত্তা গেম ০–২ দা মায়থিহৌবদগী ব্রোঞ্জ মেডল ফংহৌখি।

ইভেন্ট অসিগী নুপীগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়া গ্রুপ 'বি' গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা গেমস অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ইন্দোনেসিয়াগী মখূত্তা গেম ০–৩ দা মায়থিহৌখি। অদুবু ইন্দিয়াগী নুপী টিম অসি সেমি ফাইনেল য়ৌবগী খুদোংচাবদি লৈরি।

রোৱিংঃ–

ইন্দোনেসিয়াগী সিটি পালেমবাংদা পাঙথোকখিবা নুপাগী রোৱিং কম্পিটিসনগী মেন্স সিঙ্গলস স্কুলসতা ইন্দিয়াগী রোৱর দাট্টু বাবান ভোকানাল ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

ভোকানালনা ঙসি পাঙথোকখিবা হিট নম্বর ৱান রেপিচেজ রাউন্দদা ৭ঃ৪৫.৭১ সেকেন্দদা পন্থুংফম য়ৌদুনা খ্বাইদগী মকোক ওইবগা লোয়ননা ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।

নুপীগী পেয়র ইভেন্টতা ইনিদয়াগী দুং দুং সঞ্জুক্তা অমসুং হর্মনপ্রিত কোর রেপিচেজ হিটতা ৮ঃ৫৪.৬৭ সেকেন্দদা পন্থুংফম য়ৌদুনা অহুমশুবা পোজিসন তারগা ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

টেন্নিসঃ–

ইন্দিয়াগী নুপীগী মকোক থোংবা সিঙ্গলস শান্নরোই অনকিতা রাইনানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা জপানগী শান্নরোই ইরি হোজুমীবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–১, ৬–২ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই কর্মান কোর থন্দি মণ্ডোন্দগী রেঙ্ক হন্থনা লৈরিবা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই লিয়াংনা ৬–২, ৪–৬, ৬–২ দা মায়থিবা পীরমখি।

নুপাগী দবলসকী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথন অমসুং সুমিট নাগালনা চাইনিজ তাইপৈগী পেয়র চেন টি অমসুং পেং সিয়েনিয়িনবু টাই ব্রেক সেট অনীদা ৭–৬(৭–৫), ৭–৬(৭–২) দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী দবলসকী পেয়র রোহন বোপানা অমসুং দিভিজ সরননা ঙসি শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা থাইলেন্দগী পেয়র ৱিসায়া ত্রোংচারোনচাইকুল অমসুং নুট্টানোন কাদচাপানামবু ৬–৩, ৬–১ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

স্বিম্মিংঃ–

নুপীগী মিটর ৫০গী বেকষ্ট্রোক ফাইনেলদা চাইনাগী স্বিম্মর লিয়ু জিয়াংনা ২৬.৯৮ সেকেন্দদা পন্থুংফম য়ৌদুনা গেমস অসিগী অনৌবা রেকোর্দ থম্বা ঙমখিবগা লোয়ননা ইভেন্ট অসিগী অনৌবা ৱার্ল্ড রেকোর্দসু থম্বা ঙমখি।

চাইনাগী স্বিম্মর লিয়ু জিয়াংনা গোল্ড মেডল লৌরগা অতোপ্পা চাইনাগী স্বিম্মর ফু য়ুৱানহুইনা ২৭.০৬ সেকেন্দদা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি। অদুগা ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা জপানগী স্বিম্মর নাটসুমী সকাইনা ২৭.৯১ সেকেন্দদা ফংবা ঙমখি।

ভোল্লিবোলঃ–

ঙসি শান্নখিবা পুল 'বি'গী নুপীগী ভোল্লিবোল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী নুপী টিম ভিয়েটনামনা গেম ৩–০ দা মায়থিবা পীরমখি। অহানবা অমসুং অনীশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা পীদুনা শান্নরকখি। অদুবু ভিয়েটনামনা ২৫–১৮, ২৫–২২ দা থোইদুনা গেম অনী মাঙজিল থাখি।

অহুমশুবা গেম অদুদা ভিয়েটনামগী শান্নরোইশিং অদুনা ফজবা হেনখিবদগী ইন্দিয়াগী নুপী টিম্বু পোইন্ট ২৫–১৩ দা কোম্না অহুমশুবা গেম অদু থোইদুনা মেটচ অদু মায় পাকপা ঙমখিবনি।



*নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল থ্রি পোজিসনদা সিলভর ফংখ্রবা রাজপুট*

হেন্দবোলঃ–

ইন্দিয়াগী নুপীগী হেন্দবোল টিম্না ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা মেটচতা নোর্থ কোরিয়াগী মখূত্তা পোইন্ট ১৯–৪৯ দা মায়থিহৌবদগী ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমস অসিদা টিম অসিগী কেম্পেইন লোইশিনখ্রে।

### Asian Games 2018: Medals Tally

| Rank | Nation | G | S | B | T |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | China | 30 | 18 | 12 | 60 |
| 2 | Japan | 12 | 17 | 18 | 47 |
| 3 | Rep. of Korea | 8 | 12 | 14 | 34 |
| 4 | Indonesia | 5 | 2 | 5 | 12 |
| 5 | Iran | 4 | 3 | 5 | 12 |
| 6 | DPR Korea | 4 | 1 | 3 | 8 |
| 7 | India | 3 | 3 | 4 | 10 |
| 8 | Chinese Taipei | 3 | 2 | 5 | 10 |
| 9 | Mongolia | 2 | 1 | 4 | 7 |
| 10 | Kazakhastan | 1 | 5 | 7 | 13 |
| 11 | Uzbekistan | 1 | 3 | 6 | 10 |
| 12 | Thailand | 1 | 1 | 7 | 9 |
| 13 | Lebanon | 1 | 1 | 2 | 4 |
| 14 | Jordan | 1 | 0 | 1 | 2 |
| 15 | Macau, China | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 16 | Vietnam | 0 | 3 | 4 | 7 |
| 17 | Kyrgyzstan | 0 | 2 | 0 | 2 |
| 18 | Hongkong | 0 | 1 | 4 | 5 |
| 19 | Phlippines | 0 | 0 | 4 | 4 |
| 20 | Malaysia | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 20 | Singapore | 0 | 0 | 1 | 1 |

## ইংলিস প্রেমিয়র লীগতা লিভরপুলনা ক্রাইষ্টেল পেলেস ২–০ দা থোইখ্রে স্পেনগী লা লীগাদা ভেলেন্সিয়া অমসুং এটলেটিকো মাদ্রিদ ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে

*লন্দন / মাদ্রিদ, ওগষ্ট ২১ঃ*

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা লিভরপুলনা ক্রাইষ্টেল পেলেসপু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে, স্পেনগী লা লীগাগী মেটচ অমদা ভেলেন্সিয়া অমসুং এটলেটিকো মাদ্রিদ পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

লিভরপুল অমসুং ক্রাইষ্টেল পেলেসনা ঙসি লন্দনদা লৈবা সেলহর্স পার্ক ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌরকপদা য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী অহানবা হাল্ফকী মিনট ৪০ হৌজিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখিবা অদু টিম অদুগী শান্নরোই জেমস মিলনরনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা লিভরপুলনা ক্রাইষ্টেল পেলেসপু পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু টিম অনীমক লম্বা মান্নরকখি। মেটচকী ৭৫শুবা মিনটতা ক্রাইষ্টেল পেলেসকী শান্নরোই আরোন ৱান বিসাকা মেটচ অদু কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তান্থোকখিবদগী ক্রাইষ্টেল পেলেসকী শান্নরোই ১০দমক ঙাইহৌখি।

শান্নরোই ৱাৎপগী খুদোংচাবা লৌদুনা শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা সাদিও মানেনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু লিভরপুলনা ক্রাইষ্টেল পেলেসপু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।



*লিভরপুল অমসুং ক্রাইষ্টেল পেলেসনা শান্নখিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মেটচতা শান্নরোইশিংনা বোল মুন্নবা*

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা ভেলেন্সিয়া অমসুং এটলেটিকো মাদ্রিদ পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ২৬শুবা মিনটতা এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা জোনাথান কৃষ্টিয়ান সিলভানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মাঙজিল থাখিবা অদু অহানবা হাল্ফ লোইশিনখ্রবা ফাওবা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা মেটচকী ৫৬শুবা মিনটতা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা রোদ্রিগোনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–১ দা মান্নরবা মতুং মখা তানা শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নখিদবদগী পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এঠলেটিক বিলবাওনা লিগেন্সপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

ইটালিদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা অটলান্টানা ফ্রোসিনোনেবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

## বেলারসকী অরিনা সবালেনকা অমসুং জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভা ২শুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*ন্যু হেভন, ওগষ্ট ২১ঃ*

য়ুএসএগী সিটি ন্যু হেভনদা চথরিবা দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্ট কনেকটিকট ওপনদা বেলারসকী অরিনা সবালেনকা অমসুং জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা বেলারসকী অরিনা সবালেনকানা ওষ্ট্রেলিয়াগী সমান্থা ষ্টোসুরবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৩, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা পোলেন্দগী এগনিস্কা রাদৱান্সকাবু ৬–১, ৭–৬(৭–৩) দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা গ্রিসকী মারিয়া সকারিবু ৬–৪, ৬–৩ দা থোইরম্বী কজাখষ্টানগী জেরিনা দিয়াসকা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা প্যুটো রিকোগী মোনিকা প্যুগনা হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাকসিন্সকিবু ৭–৫, ৬–১ দা থোইরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

য়ুএসএগী অতোপ্পা সিটি ৱিন্সটন সালেমদা পাঙথোক্লিবা ৱিন্সটন সালেম এটিপি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা আর্জেন্টিনাগী লিওনার্দো মেয়রনা জপানগী য়ুইচি সুগিতাবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৩, ৭–৬(৭–৪) দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা জর্মনিগী জান লেনার্দ ষ্ট্রুফনা ইটালিগী মার্কো সেসিনাটোবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দদা ইটালিগী অতোপ্পা শান্নরোই এন্দ্রি সেপ্পিবু ৬–৪, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বা চিলিগী নিকোলাস জেরিগা লম্বা তৌনরগনি।

## এসিয়ান গেমস হোক্কিদা ইন্দিয়াগী নুপী টিম্না কজাখষ্টানবু পাঞ্জল ২১–০ দা থোইখ্রে

*জার্কটা, ওগষ্ট ২১ঃ*

ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমস অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী পুল 'বি'গী হোক্কি মেটচ অমদা ইনিদয়ানা কজাখষ্টানবু পাঞ্জল ২১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি টিম অসিনা অহানবা শান্নখিবা মেটচতা গেমস অসিগী য়ুম্বু ইন্দোনেসিয়াবু পাঞ্জল ৮–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।



কজাখষ্টানগা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শান্নরোই ৪ হেটট্রিক ফংবা ঙমখি।

নভজিৎ কোরনা মেটচ অদুদা পাঞ্জল ৫ চনবা ঙমখি। পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ১১, ১২, ১৬, ৪৮ অমসুং ৪৮শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি। দ্রেগ ফ্লিক্কর গুর্জিট কোরনা মেটচ অসিদা পাঞ্জল ৪ চনবা ঙমখি। গুর্জিটকী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ৮, ৩৬, ৪৪ অমসুং ৫১শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই লালরেমসিয়ামীনা শান্নবগী ৯, ১৯ অমসুং ২৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অহুম চনখি। অদুগা ভন্দনা কটারিয়ানা শান্নবগী ২৮, ৩৭ অমসুং ৫২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অহুম চনখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী ১১শুবা মিনট লোইশিনখিবদা ইনিদয়ানা কজাখষ্টানবু পাঞ্জল ১১–০ দা হেন্দুনা লৈখি। অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা ইন্দিয়ানা কজাখষ্টানবু ৯–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী অপীবা মতমগী অরোইবা মিনট ১৫গী মনুংদা ইনিদয়াগী শান্নরোইশিংনা গোল ১২ চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা কজাখষ্টানবুপাঞ্জল ২১–০ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Sagolmang, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 491/SDC/SLG/IE of 2018
Dated 20/08/2018

2. Keithellakpam Rajen Singh S/o Late K. Babu Singh of Waiton ... area of 0.30 acres on the Northern Side
Petitioner

-Vs-

Late Keithellakpam Babu Singh S/o (L) K. Aber Singh of Waiton .... co-pattadar No.2

Opposite Party.

**NOTICE**

Sagolmang, Dated 20/08/2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং 31-Waiton পট্টা নং 672 (অরিবা) 102 (অনৌবা) দাগ নং 2183 মোট এরিয়া 0.30 acre (Total area of 0.71) একর চাওবা Ingkhol গী co-pattadar No.2 মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নর অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মহাক্কী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি /objection তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোর্টগী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Sagolmang, Imphal East

SL/Bill (b)/22

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Sagolmang, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 492/SDC/SLG/IE of 2018
Dated 20/08/2018

Chandam Shyam Singh S/o (L) Ch. Tomba Singh of Taret khul
Petitioner

-Vs-

Late Chandam Tomba Singh S/o (L) Ch. Tombimacha Singh of Taret khul
Opposite Party.

**NOTICE**

Sagolmang, the 20th August 2018

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং 23-Keibi Kumuda পট্টা নং 242 (অরিবা) 252 (অনৌবা) দাগ নং 108 মোট এরিয়া 1.16 acre একর চাওবা Phourel লৌফমগী পাট্টাদার মৃত্তু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নর অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মহাক্কী মমিংদা নমা পানবিরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃত্তু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা অপতি objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি /objection তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই, কোর্টগী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Sagolmang, Imphal East

SL/Bill (a)/22